# তরুক্লক শুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ঠিএটর ফেষ্টিভেল ২০২৩ - ৩

- নানি



ঐখোয় পাবুং পেং চোইরে প্লেগী মমি

মণিপুরী ঠিএটরনা হৌজিক থেংনরিবা অসি মরু ওইনা ওদিয়েন্স মরাং কায়না লৈরক্তবা অসিসু চাউরবা নৈনফম থোকপা অমনি হায়না লৌবা য়াই। সি হায় হায়দুনা হেক পুথোক্লিবা ঠিএটর গ্রুপ খূদিংমক্কী প্লেশিংগী ৱা ঙাক নত্তে। অখন্নবা গ্রুপ খরগী প্লেদি উৎকদৌরে তাবদা হান্না এদভান্স বুকিং ফুল ওইরিবনি, য়েংগে হায়বদা ফংনদ্রিবনি। অদুবু অয়াম্বা ওইনদি দ্রামা য়েংবীনবা মীগী মশীং অসি ফনা হায়বা শাবনি খরদি লিকথরক্লে হায়বসিদি ময়াম্নসু শোয়দনা য়ানিংবীগনি। মতম অমা রূপমহল ঠিএটর, অর্য্যান ঠিএটর অমদি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্না হাপ্তাগী ওইনা চাং নাইনা উৎপা প্লেশিং উৎলিবা খূদিংগী য়েংবীনবা ৱাৎলমদে। মপুং লোইনা ফানখি। টিকেৎ ফংনদবগী অৱাবা লৈনখি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা লৈকায়, ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়ানা মখোয় মখোয়গী ওর্গনাইজেসন/ক্লব অদুগী ফন্দ দ্রাইভকীদমক চেরিটি লৌদুনা টিকেৎ স্পেসল ওইনা অহেনবা মমল লৌদুনা য়োল্লগা লীলা উৎনবদা মতম চানা চানা ময়াম্না লাক্লদুনা ওদিটোরিয়ম পেক লোইনা তৌনখি। ঙসিদি মদুগী থাক অদুদি লৈত্রে। হৌজিক্কী হৌরক্লিবা নহাশিংনা দ্রামা য়েংনিংবা অমদি য়েংবগী নুংঙাইবা খূদিংমক ফাওনদ্রে, লোয়নমক মাঙখ্রে।

খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোনা ১৯৭৮দগী হৌনা মহাক্কী প্লে কয়া রূপমহল ঠিএটরদা চাং নাইনা পুথোক্তুনা উৎলকপা মতমদা ওদিয়েন্স লৈতবগী অৱাবা লৈরমদে। মহাক্কী মমিং লৈরবা প্লে কয়া- বোর ইন্টর্ভিয়ু, ইচাসা ইপা লম্বোইরগে, করিনুংগী নুপী লোঞ্জরুবা, খায়নবা য়ারোই, ঐ মমানি, থাগৎচরি ময়াম্বু থাগৎচরি কনানা কনানো, হিংমিন্নবৈ মহুৎ শিমিন্নবা, হাইগৎলাং, মীহাৎপা কনানো, মেরিয়েজ ব্যুরো, মৌ ইন্টর্ভিয়ু, লৈইসিগী ৱাংমদা, কনাগীদমক্লো নচিংবা প্লে কয়া মীয়াম্না পাম্না য়েংনখি। হৌজিকসু খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোগী প্লে ঙাক্তগী ওইবা ঠিএটর ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোক্লি তাবদা য়েংবীনবা মী ৱাত্তনা লাক্লি, য়েংনরি। অদুনদি প্লে অমা য়েংবা হায়বসি ওদিয়েন্সশিংগী অপাম্বা খরদি তঙাইফদনা পীবা তাই। মদু প্লেরাইট খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোনা নীংথিনা খঙনা লীলা কয়া মখল মথেল শুনা ইথোরকখি।

হন্দক পাঙথোকখিবা তরুক্লক শুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ঠিএটর ফেষ্টিভেল ২০২৩গী মরিনি চনবা নুমীৎতা ককচিং দ্রামাটিক য়ুনিয়ননা ঐখোয় পাবুং পেং চোইরে হায়বা প্লে অদু উৎখি। ৱারীদি- অহেনবা পামদবা মী তাইবংদা লৈতে। খরা তুশোনবা মনাওনুপা বিহারীদা শেল খরা তোনবগীদমক হায়রোইদবা ৱা ময়াম্বনা হায়রে। বিহারীদি মপুকচেল য়াম্না চাউই। ময়ুমদা কনা হন্না য়েংবদা লৈজদ্রবী লম্বীদা অরাম খৌরাং খাঙলম্বী মৌ নহা অমা পুশিল্লত্তুনা থম্বী। মীনা ফাগদবগী তান্নরকপা হুরানবা অমসু মাগী ময়ুমদা থম্বী। মচাশিংনদি শাওই, অদুবু মচাশিংবু থেমজিল্লি। মচা লোয়নমক ওইজবা থিবদা ঙাওবনি। মখোয় মখোয়না শুবা নোম্বা হোৎনবা হায়বদুমদি কয়া থোইনা লৈতে। বিহারীনা লো- টুরি টিকেৎ অমা ককপদগী ফর্ষ্ট প্রাইজ ফাওখি। মদু মচাশিং অমদি মাবু তাথিনা তৌরম্বা ময়াম্বনা মীহৌরকই। মাগী মাগী শেন্থং ফংনবা অনীংবা অপাম্বা তৌনবা কন্না দিমান্দ তৌরকই। অদুবু বিহারীদি মহাক্কী শেনফম অদু লৈবাক খুন্নাইগী ফনবা মওংদা শীজিন্নবা পাম্মী। মদুদা মচা ময়াম্না মাবু ঙাওরে পেং চোইরে হায়দুনা ডোক্তরদা লায়েংনবা হোৎনৈ। বিহারী ঙাওবদি নত্তে। কোমেদিগী য়ক লাওবা মরক্তা মীওইবগী মরমচৎ, ৱা- খল্লোন কয়াবু মরোল মরোল নাইনা লৈরোন চনশিন্দুনা য়াম্না সিরিয়স ওইনা ইবা মখলগী প্লে অমনি। লীলা অদুমক্তি ফেষ্টিভেলগী পর্ফোর্মেন্স পীবদা কয়া মচঙ ওইখিদে খল্লি। মরু ওইনা লোন ফানবা হোৎনবদা এক্টরশিংনসু মাগী মাগী তৌফম থোকপা য়ৌনা তৌবা ঙমখিদে। লোয়ননা দিরেক্টরনসু প্লেরাইটনা হায়নিংলিবা কয়া অদুগী মায়খুম হাংদোকপা ঙমখিদে হায়না খল্লি। শুপ্নতগী মপান্থোংগী ওইবা মশক খরা চাউরাক্লা উৎখিবা নত্তনা লীলা অদুগী নুংদা লৈরিবা অদুবুদি চিংথোকপদা খরা ৱানা থোকখি।

মঙানি চনবা নুমীৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ ঠিএটর এন্দ পর্ফোর্মেন্স ষ্টদিজগী মহৈরোয়শিংতনা শান্নবা "হো ইমা ঐবু করি মতৌনো" হায়বা প্লে অদু উৎখি। প্লে অসিমক্তি অইবনা রেদিওগী প্লে ওইনা ইখিবনি। রেদিওদা য়াম্না মায় পাক্লা লাম্থোকখবনি। ঠিএটর গ্রুপ খরনসু ষ্টেজ প্লে ওইনা শান্নখ্রে। ইশম শন্বা ৱারী হায়বু- হোস্পিটালদা অনাবা লায়েংবা লাকপা (অমনা মপুরোইবা শেন্নবা লাকপী, অমনা মাগী নুপীগী অনাবা শেন্নবা লাকপা) অনীগী মরক্তা রোমান্সকী লীপুন অমা পুনশিল্লত্তুনা, নুংঙাইখ্রবা ফাগীগী গেম অমা শাগৎলত্তুনা, হোস্পিটালদগী মাগী মাগী অনাবা অনাবী মপুরোইবা অমদি নুপীবু হুন্দোক্লম্লগা চেনখ্রগা ভারাগী য়ুম অমদা লৈখি। মখোয়গী ফোটোগা কোন্নবা খবরদা হল্লক্কবা মপুরোইবা অমদি নুপীদুনা ফোঙলকপদা লৈকায় খঙনরক্তুনা অদুগুম্বা লমচৎ নাইদবা নুপা নুপীবু মরু কোক্তুনা ৱারকখিবগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবনি। থোইদোক্লা কা হেন্না লুশিন্দনা প্লেরাইটনা ইরল্লিবা লোন অদু ঙাংনবা হোৎনবা, অমদি কা হেনবা সেট দিজাইন য়াওদনা এক্টরশিংনা ঙম্না শান্নবা প্লে অমা ওইখি। য়েংবদা অদুম নুংঙাইবা, নোক্লিংবা পোকহনবা মখলগী প্লে অমা



হো ইমা ঐবু করি মতৌনো প্লেগী মমি

ওইখি। মায়কৈ অদোমদা য়েংলগদি থোইদোক্লা মায় পাক্লবা প্লেগী মনুং চল্লি। এক্টরশিংনা মাগী মাগী রোলশিং অদু পুবা ঙম্নবা মতিং থোক্লা উৎপা থেংনৈ। অদুবু অনাবা অনাবী অনী অদু, ডোক্তরনা খরগী মখৈদি ফগৎলে হায়রবসু মতম কুইনা নারক য়েক্লকপগী মপাঙ্গল খরা শোন্থহনবা য়াই। অনাবদুনা কনমনখিবনা নাবা মাল্লত্তবা লীরিবা ৱারীগী ফজরোল অমা ইৱাৎ ৱাৎপদৌনা উবা ফংই। অনাবা অনীদুনা খজিক শোন্থরগা চনিং চমাং শম্নদনা ঙাংলবদি লীলা নুংশিবসু হেনগনি, নোক্লিংবসু হেনগদরা খল্লি। অনাবা কনমল্লি, অনাবা শোন্থহনবা মথৌ তাখি খল্লি।

অরোইবা নুমীৎতা রোংদুলি সংস্কৃতিক কেন্দ্র অসামনা শান্নবা রিফ্যুজি হায়বা অদু অসামিজ লোনদা হন্দোক্তুনা য়াম্না নীংথিজনা উৎখি। ফেষ্টিভেল অদুগী ইতোপ তোপ্পা মশক অমা প্লে অদুনা ময়ামদা পীবা



রিফ্যুজি প্লেগী মমি

ঙমখি। লীলা অদুগী দিরেক্টোরেল ট্রিটমেন্ট অমদি এক্টরশিংগী ফিজিকেল অমদি সাইকোলোজিকেল এক্সন কয়া অদুনা প্লে অদুগী মথ্বায় হাপখি। অদুগী মথক্তা ফেষ্টিভেল অদুদা লোকেল ঠিএটর গ্রুপশিংনা প্লে উৎলম্বদগী মপানগী গ্রুপ অমনা শরুক য়াদুনা উৎলকপগী নুংঙাইবা অমসু পীবা ঙমখি। প্লেগী ৱারীদি বাংলাদেশতগী চেল্লকপা মৈতৈ ফুরুপকী মতৈ মনাও অমদি মচানুপীগা লোয়নন্না হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লকপদা থেংনখিবা থৌদোক কয়াদা য়ুম্ফম ওইবা সিরিয়স ট্রেজিক প্লে অমনি। খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোগী মমাঙদা ইখিবা প্লেশিংদগী সিরিয়সলোমদা কন্না চঙশিল্লকপা হৌরকপদা ইরকখিবনি। লীলাদুগী টেক্সতা লৈরিবদুদগী দিরেক্টরগী ট্রিটমেন্ট অদু হেন্না মপুং ফানবা দিরেক্টর ওইরিবা গুনোমনি বারুৱানা মাগী লিবর্টি শীজিন্নদুনা প্লেদুগী নুংদা লৈরিবা লৈরোল অদু তৌথোক্তুনা প্লে অদু শেমগৎলকই। হেক হৌবদগী রিফ্যুজি ওইনা লাক্লিবা মীওই অহুম অদুগী লৈফম পীবীদবা, মখোয়গী চৈদুনা ফুদুনা তান্থোকপীবা কয়াদগী হৌই। উৎকদৌরিবা লীলা অদুগী ক্রাইসিস অমা হান্না শেমগৎতুনা প্লেগী মশক অমা অয়েংবশিংদা পাউচে- খাং ওইনা থম্নবা হোৎনবা থেংনৈ। গুনোমনি বারুৱা মমাঙগী ইদিসন হায়বদি মঙারক শুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ঠিএটর ফেষ্টিভেল ২০২০ দসু "অরোনবা মৈরি" (ক্লেন্দেষ্টিন ফ্লেম) হায়বদু য়াম্না মায় পাক্লা উৎখি। লীলা অদুনা অয়েংবশিংগী পূক্লিংবু খোনবা ঙমখি। মদুমক্লা ওইগদরা হন্দক্কী ইদিসন অসিদসু মঙোন্দা অনৌবা প্লে অমা পীদুনা ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াহল্লিবা অসি। গুনোমনি বারুৱানা লীলা অসি পানখৎলকপদা মাগী মীৎয়েং অসি য়াম্না থৌনা, লীলাগী মনুংদা লৈরিবা ইথিল অদু শক্তম ওইনা চিংথোক্লবা হোৎনৈ। খুদম অমা ওইনা, অপীকপা রিফ্যুজি অঙাং (সনাহনবী)না মশুং মমান্নবশিংনা স্কুল চৎপা উবদা মহাকসু লাইরিক য়াম্না তম্নিংখি, হৈনিংখি, নুমীৎ খূদিংগী অঙাংশিংদুনা স্কুল চৎপদু মহাক্লা য়েংজৈ। সনাহনবীগী ৱাখলদা লৈরিবা কয়া অদু গুনোমনিনা এক্টরশিং শীজিন্নদুনা মহাক্কী ৱাখল অদু রিএলিটি ওইনা থল্লকই। ঠিএট্রিকেল ইন্টরপ্রিটেসন অমা পীনবা হোৎনৈ লোয়নন্না সিন খূদিংমক্তা নেচরেলিষ্টিক সেট্টিং, ইনভাইরনমেন্টেল লাইফ সিচুএসন কয়া শেমগৎতুনা প্লেগী ট্রেজিক ইন্দিং অদু নীংথিনা মপোব কায়দনা পুথোরক্লবা হোৎনবসু থেংনৈ। লীলাদুগী লাইটিং দিজাইন, ম্যুজিক দিজাইন অমদি রিফ্যুজি কোপল অদুনা মচা টিটানস চঙদুনা নারবদা হোস্পিটালদা ডোক্তরশিংনা ষ্ট্রাইক তৌরি হায়দুনা অনাবা য়েংবীদনা মচাদুনা শিখ্রবা মতুংদা নীংবা কায়না, মখোয়গী মপা-মপুশিংগী পোক্লফম লমদমনি হায়না লাকচবা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিবদুদা লীলাগী অরোইবা ওইহল্লি।

হন্দক্কী ইদিসন অদুগী শরুক অমা ওইনা লমদমসিগী অইবা খরা খনগৎতুনা লীলা লোইরকপদা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা অদুমক্লা ফেষ্টিভেল অসিগী অনৌবা মশক অমা হাপকৎলি। ঈকায় খুম্নখিবা প্লেরাইটশিংদি- ডা. চোঞ্জোন নিঙোম্বম, রূপচন্দ্র ঘোশ, অঙোম তোম্বী, এস. কে. মঙাং অমদি ডা. রাজেন তোইজাম্বনি। অসুম্না ফেষ্টিভেল অদু মায় পাক্লা লোইশিনখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫।০২।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং,
ফাইরেলগী থানিল।

**মেষ:** অনীংবা থবক পাঙবদা খুৎলোইগনি, নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেনগনি, নাইতোম ৱাতুপ্পা য়াগনি। অশাওবা/চরাঙনবনদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃষ:** লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। অফবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি, ঙাং-শকপসু পকচগনি, পোরম শীনবা লম্বা লৈতনা হৈগনি, লন চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মিথুন:** থাজদনা ওইজবা ফংগনি, অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি, থেংলপ্পা মরুপ মপাং অমদি শেল-থুমগী লমদা মায় পাক্কনি। য়েৎনবদি য়াখিরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** নাপল অমদি অনম তানবনা তাথি, থবক মাঙদনবা হোৎনৌ-পঙথগনু। মীয়াম্না পাম্নবা অমদি লাইবক ফবসু লৈবনা কান্নবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙসিসু নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**সিংহ:** মরুপকী মতেংনা থবক পাঙগনি, লাই-গুরুগী ৱাসু হিক্তোক্ত্রুদি য়াম্না চাওখৎকনি। চিন কনবা, হোয়া ফবা অমদি হন্থবা লোয়নবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কন্যা:** শেল-থুমগী লমদদি ঙসিসু মায় পাক্কনি, অনৌবা আশা লাক্কনি, য়েক্লববু ঙমজগনি। ৱাখল তান্নদবা লৈরসু ৱাখল তান্নথোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক থোইনা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**তুলা:** মীৱা লৌদ্রবা অমদি অখঙ-অহৈগী ৱা কাওদ্রবা মাঙবা লৈরোই। অনীংবা থবক লায়না পাঙগনি, মীয়াম্নসু থাগৎপি, লোয়নবসু পামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**বৃশ্চিক:** মরুপ মপাংশিংনা চানবীগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা মীনা লাকচবা ৱাগনি, অনীংবা থবক পাঙবা য়াগনি। চরাঙনরদি নুংশা থিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই-লাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** থৌনা ফুদোকপা মতাং চাই, লেঙদবা লন চাওখৎকনি অমদি অফবা মফম কনবা ঙমগনি। থবক্কী লমদা ঈকায় নুংশি য়ান্নবা লৈ-ৱা ঙাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মকর:** নীংজবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা ঙসিসু লৈগনি। খাঙবা কনবা অমদি মীৱা ঙাংনদবদি ফগনি। পাঙনীংবা থবক্তি মীগী মতেংনা পাঙবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** অনম তান্নবদা কায়বা খরা লৈরসু নীংবা থুংগনি, অঙম্বনা চানবীগনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি, ৱাখল থোক্কনি। নাপলদি য়াদেকো।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মিন:** চরাঙনবা/হেন্না আশা চাওরুবনা মাঙজগনি। নচাক নরলদি থৌনা হন্দবনা হেনগৎকনি, থবকসু পাঙগনি, অঙম অথৌনসু চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## কিদস ফাউন্দেসনদা গ্রেটিচ্যুট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচ এন এস): ঘড়ীগী এয়রপোর্ট লম্বীদা লৈবা কিদস ফাউন্দেসনদা ঙসি গ্রেটিচ্যুট দেগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মহৈরোয়শিংবু কথোকপা অমগা লোয়নন্না তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিংদা, মখোয়বু নোংজু-নুংশা থিদনা পুথোক পুশিন তৌবীরিবা ভেন দ্রাইভরশিং, পেরেন্টস অমদি গার্জিয়ানশিংনা মখোয়গীদমক লৌবীরিবা থৌদাংশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়নন্না থাগৎপা ফোঙদোকপগীদমক পাঙথোকপা থৌরম অমনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা গ্রেটিচ্যুটকী থৌরম অদুদা কিদস ফাউন্দেসন অসিগী মহৈরোয়শিংনা ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রামশিং য়াওনা মরুওইনা রাইমস, দান্স, দ্রামা, রিসাইটেসন, খুল্লং ঈশৈ, ট্রেদিসনল দান্স, জিম্নাষ্টিক্স, টাই ক্বান্দো, যোগ, থাঙ-তা অমদি ৱুসু য়াওনা থাগৎপা ফোঙদোকপগী ৱাহৈশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং মহৈরোয়শিংনা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয়শিংবু কদায়দা করিদা শোয়খিগদগে হায়না য়াম্না কুপ্না শেন্নবীরিবশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎপনা থৌরমগী মরুওইবা পান্দম ওইখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী টিচিং, নন-টিচিং ষ্টাফ, ভেন দ্রাইভরশিং অমদি পেরেন্টস য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

## ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবীরম্বী য়ুম্লেম্বম নিংঙোল য়াম্বেম ওংবী জিনিতা দেবী-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বায় পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১/২/২০২৩ ইং, ফাইরেনগী ১১ (একাদশী)নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যা রাধা রানি দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ৬/২/২০২৩ ইং, ফাইরেনগী ১৬নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ১৪/২/২০২৩ ইং, ফাইরেনগী ২৩নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রবীগী চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা-শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রা মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়নন্না কৎচগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্তণ কচ্চরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

**থৌরম হৌবা ঃ-**
অয়ূক পুং ০৮:৩০ - ভেত কৎপা
অয়ূক পুং ১২.৩০ - সঙ্কীর্ত্তন হৌবা

**বিনিতগণ ঃ-**
**য়াম্বেম ধনঞ্জোয় সিংহ (মকুবোক)**
**য়াম্বেম ওংবী ইবেচো দেবী (মনেমবোক)**
**য়াম্বেম মেঘজিৎ সিংহ (মপুরোইবা)**

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। য়ুম্লেম্বম ওংবী চন্দ্রজিনি দেবী | (অপোকপী) | ১। য়ুম্লেম্বম জয়েন্তা সিংহ | (অপোকপা) |
| ২। লাইশ্রম ওংবী য়াম্বেম সুনিতিবালা দেবী | (মচলনুপী) | ২। জোন্সন সিংহ য়ুম্লেম্বম | (মৌপ্বানুপা) |
| ৩। ঙান্থোই য়াম্বেম (য়ায়াই) | (মচানুপী) | | |

HL-P/5878/5

**পুরৈরোম্বা লৈকাই, কোনুং মমাং।**



Title : Scenery
By : Bhaskar Ngangbam
Class : K.G. Roll No. : 6
School : Nongpok Maheikol



Title : Sparrow
By : Ch. Jeshurun
Class : II Roll No. : 16
School : Savio English School



Title :
By : Kambam Salaingamba
Class : V Sec : Jasmine Roll No. : 27
School : SL Area of Learning



Title : Flower Pot
By : Keisham Greason Singh
Class : I Sec : A Roll : 15
School : The K.E. Blooming Institue



Title : Carrot
By : Khamnam Victoria Devi
Class : II Sec : A Roll No. 18
School : The K.E. Blooming Institute



Title : Elephant
By : Malem Ningthoukhongjam
Class : KG Roll No. : 2
School : Kids Activity Centre, Wangkhei



Title : Netaji Subhas Chandra Bose
By : Ningthoujam Monish Singh
Class : IV-A Roll : 3
School : Kendriya Vidyalaya No. 1



Title : A Man
By : Priyaluxmi Kangjam
Class : II Sec : A Roll No. : 2
School : The K.E. Blooming Institute




Title :
By : Salam Bishonath
Class : V Sec : Jasmine Roll No. 60
School : SL. Arena of Learning



Title : Tank
By : Stephen Thokchom
Class : II Sec : B Roll No. : 19
School : Tiny Tots Unique School



Title : A man riding dragon
By : Takhellambam Damini
Class : I Sec : Lotus Roll No. : 22
School : SL Arena of Learning



Title : Eagle
By : Takhellambam Ranjita
Class : I Sec : Lotus Roll No. : 2
School : SL Arena of Learning



Title : Boy
By : Telheiba Nongmaithem
Class : KG Roll No. : 1
School : Ching-Tam English School



Title : Mermaid
By : Mangalleima
Class : III Sec : A Roll No. 18
School : Standarth Robarth Hr. Sec. School



Title : Goku
By : Lenin
Class: III Sec : A Roll No. : 40
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Goku
By : Waikhom Poireinganba Mangang
Class : III Sec : B Roll No. : 11
School : Standard Robarth Hr. Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নন্না অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।